**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- লুপা কোতি ২ মখায় চংনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা তেংনৌপল জিলাগী লাইচীং কাংশঙ খুলদা শারগনি।

২) মণিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী ৫৩ সুবা ষ্টেটহুদ ডেনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৩) ইন্নর লাইন পার্মিৎ পাস লান্না পীরম্বা তমেংলোং দি.সি ওফিসকী ষ্টাফ অমা য়াওনা মীওই অহুম জিরিবাম পুলিসনা ফারে।

৪) কাংপোকপী জিলাগী মাওহিং ভিলেজদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফারে।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিং অসি লৈবাক্কী চাওরবা লননি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- লুপা কোতি ২ মখায় চংনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা তেংনৌপল জিলাগী লাইচীং কাংশঙ খুলদা শারগনি। ইন্দোর জিম অমদি গেল্লেরি য়াওনা শাগদবা কমপ্লেক্স অসিগী শেনফম শেনবা চহি অসিদা হাপ্লগনি।

তেংনৌপল জিলাগী লাইচীং কাংশঙ ভিলেজদা দাইমন্দ জ্বিলি কম আইথ বিনিয়েল স্পোর্টস মিট ২০২৫ হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অসি তুংদা অচৌবা তুরনামেন্ট কয়া পাঙথোকপা য়ানবা মওংদা শেমগৎকনি।

শ্রী বিরেন্না হায়- মচি ব্লোক্কী ওইনা একচেঞ্জ ওফিস অমা মফম অদুদা হাংনবা হোৎনরগনি।

অমরোমদা, ৱার ওন ড্রগসকী মতাংদা পল্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবদা, সরকারগী থবক ফংদে হায়বগী নমাদা নহারোলশিংনা ড্রগতা লাইচুরকপগী সমস্য অমা লাকপদগী পাল্লিবা সরকার অসিনা হেক লাকপদগী ৱার ওন ড্রগস হৌদোক্কুনা ঙসি ফাওবদা ড্রগকী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া অমা লৌখৎলি। সরকারগী থবক খক্তনা থবক নত্তে, তোঙান তোঙানবা হোৎনবা য়াবা কয়া অমসু লৈরি হায়বসি ঙসিগী নহারোলশিংনা পুন্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

শ্রী বিরেন্না হায়- সরকারনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোপি পান্বী কয়া য়ান্থৎতুনা মাংহনবতা নত্তনা ড্রগকা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পাখৎতুনা লাক্লি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়দনবা য়েলহৌঙৈদগী হোৎনমিন্নদুনা লাক্লিবা ফুরুপ কয়াগা লোয়ননা লমদম অসি য়ামা ৱানা য়েকবশিংদগী কনদুনা লাকপনি। চহি লিশিং ২ হেনবগী পুৱারী থল্লমদুনা মতমদুগী ইপা ইপুশিংনা চেকশিন্না শেন্নদুনা লাকপা লমদম অমনি।

মহাকা হায়- পারি পুরিগী হৌরকফম মশক খঙদবা জাতি অদুদি মালেমদা কনানসু মশক খঙবা ঙমলোই। মরম অদুনা পারি পুরি মশক খঙশি। হৌজিক খৎনরিবা অসি ভাব তান্নদবদগীনি, মসিদা কনাদসু শাউবা লৈতে। সরকারনা চংশিনখিবদি মপানদগী আইন কায়না চংলকপা মীতোপশিং অমদি মশক খঙদবা খুল খরা মশক খঙদোকবা হোৎনখিবনি। অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌদুনা পুন্না হিংমিন্নশি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, কেফ এন্দ পি.দি মন্ত্রি লৈশাংথেম শুশিন্দ্রো, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই অমদি

লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

ডে (এল)ঃ মণিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী ৫৩ সুবা ষ্টেটহুদ ডে থৌরম হয়েং পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়- মণিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইরকপগা মরী লৈননা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ মঙ্গোল পীরি। ১৯৭২ দা রাজ্য অসিনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখি। লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লম কয়াদা মণিপুরনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরি। রাজ্য অসিগী মীয়ামা মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা রাজ্য অসিগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরকবা হোৎনরশি। রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- ধর্ম্ম জাৎ খায়দনা রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমকা অমত্তা ওইবা লিচিংদা মান্নবা খুনাই অমা শেল্লশি। চাওখৎপা অমসুং শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইরনসু হায়না রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- মণিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইরকপা নুমিৎনা লাকপদা  রাজ্য অসিগী মীয়াম নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু। মণিপুরনা শিক্ষা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, হকশেল, কলা সংস্কৃতি অমসুং শান্ন-খোৎনবগী লমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীংচৎ কয়া পুরক্লি। মন্ত্রিনা হায়- ঐখোয়গী মহৌশাদগী লৈজরক্লবা চৎনবী অমসুং নাৎনা লমজিংদুনা তুংগী য়াইফবা লম্বী কয়া য়াৎলি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমকা রাজ্য অসিবু চাওখৎপা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরকবা ৱাশক লৌমিন্নরশি। ঐখোয় পুমমকা অমত্তা ওইবা, শান্তি, চাওখৎপা অমসুং অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা রাজ্য অসিবু মগুন লৈবা লমদম অমা ওইহন্দুনা ঐখোয় পুমমক চাউথোকচনিঙাই ওইহল্লশি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ লাকপদা অহোংবা কয়া লাকপনা অন্দরগ্রেজ্‌য়েট অমদি পোষ্টগ্রেজ্‌য়েট কোর্সশিংদা অচৌবা শিংনবা

অমগা লোয়ননা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ইন্তর দিসিপ্লিনারি কোর্সশিংদা তন্বা য়ারগনি অমদি খঙবা হেনগৎলগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট সেল অমদি মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজনা পুন্না শিন্দুনা একাদমিক রাইটিং, রিছার্স এন্দ পাব্লিকেসন্স হায়বা হিরমদা চয়োল অমা চুপা চথগদবা ৱার্কসোপ প্রোগ্রাম ঙসিদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রোফেসার লোকেন্দ্রনা মখা তানা হায়- লাক্লিবা অহোংবশিং অসিনা রিছার্স তৌবদা খুদোংচাবা কয়াসু পীরগনি। থৌরম অদুদা এম.য়ুগী রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট সেলগী দাইরেক্তর প্রোফেসার সি.ঐচ. ইবোহল মৈতৈ, স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্সেসকী দিন- প্রোফেসার মেমচা লোইতোংবম, মিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার লাইশ্রম প্রভাকর সিংহ অমদি দিল্লি স্কুল ওফ ইকোনোমিক্সকী প্রোফেসার অনিস গুপ্ত সিংহ শরুক য়াখি।

এরেষ্ট (এল)ঃ ইন্নর লাইন পার্মিৎকী পাস লান্না পীরম্বা তমেংলোং দি.সি ওফিসকী ষ্টাফ অমা য়াওনা মীওই অহুম জিরিবাম পুলিসনা ফারে।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- জিরিবাম পুলিসনা আইন কায়না ঙমখৈ লানশিল্লকপা মীওইশিং অমসুং আই.এল.পি. পাস চ্যেক তৌবগী থবক চথবদা থা অসিগী ৯ দা মীওই অমা ফাখি। মীওই অদু মখা তানা ৱাহং পাউহং চথবদা মহাকা পায়রম্লিবা আই.এল.পি. কার্দ অদু তমেংলোংগী দি.সি ওফিসতগী পীরকপনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মীওই অসিনা হায়দোরকপগী মতুংইন্না হিরম অসিগা মরী লৈননা তমেংলোং দি.সি. ওফিসকী ষ্টাফ অমা য়াওনা মীওই অনি ফাগৎখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা কুপা থিজিন্নবা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

পুলিস (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মাওহিং ভিলেজদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুম্বগী থবক চথখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মাওহিং ভিলেজগী অকোইবদা আইন্না য়াদবা মওংদা খুৎশু খুৎলায় কয়া লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী কাংপোকপী পুলিস অমদি ১৬ শুবা অসাম রাইফলসকী এস.পি.টিগী অপুনবা কাংবুনা ঙসি অয়ুক পুং ৪ মিনিত ২০ তাবা অদুৱাইদগী হৌদুনা অয়ুক  পুং ৭ মিনিত ১০ ফাওবা মফম অদুদা ওপরেসন অমা চখ্খি। মদুদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, থার্তি সিক্স হেন্দগ্রেনেদ ২, দবল বেরেল বোর গন ১, মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ নাইন এম.এম-পিষ্টোল ১, সভেন পোইন্ট সভেন ব্লেক রাউন ৭, সিক্সতি বোর লাইভ রাউন্দ ৪ ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

ব্লেক ডে (এল)ঃ পুয়া মৈ থাখিবগী চহি ২৯৬ শুবা নিংশিং কুমওন থৌরমগী মাংওইননা ঙসি পুয়া মৈ থাখিবা অদুবু অৱাবা ফোংদোকপা ওইনা তোঙান তোঙানবা মহৈ তম্ফমশঙশিংগী মহৈরোইশিংনা অমুবা বেজ থেৎতুনা ব্লেক ডে পালন হৌদোকখ্রে। ইন্তরনেসনেল ওবজার্ভেসন কমিতি ওন পুয়া মৈ থাবা খুরাই শোইবম লৈকাইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- অৱাবা ফোংদোকপগী থৌরম অসি জনুৱারি ২২ ফাওবা নুমিৎ হুমি চুপা চখ্খগনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাশিংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা ফিরাল তঙ্খায় চিংথখি অমদি মহৈরোইশিংনা অমুবা বেজ থেৎখি হায়রি।

বোসেম(এল)ঃ এন.সি.ঈ.আর.টি নিউ দেল্লিগী শেন্থুং মখাদা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম)না শিন্দুনা নুমিৎ ৫ নি চখ্খগদবা ৱার্কশোপ ঙসিদগী হৌখ্রে।

‘হোলিস্তিক প্রোগ্রেস কার্দ সেকেন্দরি স্তেজ এন্দ স্তেন্দার্দাইজেসন ওফ ক্বেসসন পেপর তেমপ্লেটস’ হায়বা হীরমদা ৱার্কশোপ অসি পার্ফোমেন্স এসেসমেন্ট, রিভিউ এন্দ এনালাইসিস ওফ নোলেজ ফোর হোলিষ্টিক দিভলপমেন্ট (পারখ), এন.সি.ঈ.আর.টিনা পায়খৎপা থৌরাংগী মখাদা পাংথোকপনি।

হোতেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা বোসেমগী চেয়রমেন অখাম জোয়কুমারনা হায়- অনৌবা ইজ্‌কেসন পোলিসি লাকপগা লোয়ননা মহৈরোইশিংগী এসেসমেন্ট অসি হোলিষ্টিক প্রোগ্রেস কার্দ সেকেন্দরি ষ্টেজ অসিদা হাপকদবনি। মসি ওজাশিংদা খঙননবা অমদি তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা শরুক য়াবা ঙমনবা মগুন লৈবা ৱাহংচেশিং শেমবগী পান্দমদা ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি। মহাকা হায়- এন.ই.পিগী মতুংইন্না মহৈ তম্বদা অহোংবা কয়া লাক্কদৌরি। মসিগী থৌরাং ওইনা ওজাশিংনা হোৎনবা তঙাইফদে। অহোংবশিং অসি খঙজিনবনা রাজ্য অসিদসু এন.ই.পি মপুংফানা চৎনহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী টেকিকেল সেসনদা পারখ, এন.সি.ই.আর.টিনা পায়খৎলিবা হোলিষ্টিক প্রোগ্রেস কার্দ এসেসমেন্টকী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

এৱাঁদ(এল)ঃ গ্লোবেল আর্কিটেক এন্দ বিল্ডর এৱার্দসতা ববিনা হোস্পিতালবু চহি অসিগী ওইনা বেষ্ট হেলথ কেয়ার প্রোজেক্ট পীরক্তুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। দুবাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মনা অসি ববিনা হোস্পিতালগী দিজাইন্নর শুরেশ হুইদ্রোমদা খুৎশিন্নরকখিবনি।

নোনে (এল)ঃ লাক্লিবা গনতন্ত্র দিবস পালন থৌরমগা মরী লৈননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদা নোনে জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারস মিতিং ঙসি নোনে দি.সি কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরতচন্দ্র অরোজ্‌না হৌদোকখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ অরোজ্‌না দি.এল.ওশিংদা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী নিংথিনা থৌরাং তৌননবা খঙহনখিবগা লোয়ননা দি.এল.ওশিংনা পাঙথোক্কদবা মশা মশাগী থবকশিংসু শিন্নখি।

গনতন্ত্র দিবস থৌরমগী কম্মন রিহারসেল থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কনি, অদুগা ফুলদ্রেস রিহারসেলনা থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কনি হায়নসু দি.সিনা খঙহনখি। মীফম অদুদা পুলিস, পি.ঐচ.ই.দি, হেলথ, হোর্তিকলচর, ফোরেষ্ট,

আর.দি. এন্দ পি.আর, এম.এস.পি.দি.সি.এল, কোর্পোরেসন, ফিসরি, সোসিয়েল ৱেলফ্যার, এগ্রিকলচর, এম.এস.আর.এল.এম, দি.আর.দি.এ অমদি ইজ্‌কেসন বিভাগ, ১৯ শুবা অসাম রাইফলস, দি.আই.পি.আর, তেরিতোরিয়েল আর্মি, সি.আর.পি.এফকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

লুপ (এল)ঃ মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (এম.ও.এ) ওফিসপু শো লোনশিন্দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন অথিংবা থম্বগী থৌওং মহৈরোই লুপ মঙা- এমসু, দেসাম, কে.এস.এ, শুক অমদি এইমসনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি মহৈরোই লুপ মঙানা এম.ও.এ ওফিস মমাংদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা লুপ মঙা অসিগী ৱাঙাংলোই ময়েংবম সোমোরজিৎ মৈতৈনা হায়- উত্তরাখন্দনা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ২৮ দগী ফেব্রুৱারি ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস নকশিল্লকপগা লোয়ননা মদুদা শরুক য়ারুনবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং থাবগী তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা থবক থৌরমশিং নিংথিনা তৌহন্নবগীদমক এম.ও.এ ওফিসপু থোঙ লোনবগী থবক অসি মতুংদা তৌবীদনবা থা অসিগী ৫ দা মরী লৈনবশিংদা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুবু ওফিস অসিবু অমুক হন্না শো লোনশিল্লম্বা অসি লাইবক থিবনি। মহাকা হায়- থিংজিল্লিবা মীওইশিং অসিনা এম.ও.এগী করি মরাল লৈবনো হায়বদু মীয়াম খঙনা শেংদোকপীরকউ লোয়ননা মুখ্য মন্ত্রিনসু এম.ও.এগী থবক থৌরমশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা পাঙথোকবা শিনবীয়ু।

টিম (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী নেসনেল সার্ভিস স্কিম (এন.এস.এস)কী টিম অমা অসামগী জোরহাৎতা পাঙথোক্কদবা নেসনেল ইন্তিগ্রেসন কেম্প (এন.আই.সি)দা শরুক য়ারুনবা ঙসি লমথাখ্রে। হায়রিবা কেম্প অসি থা অসিগী ২১ দগী ২৭ ফাওবা চথগনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী নহাশিং অসি লৈবাক্কী চাওরবা লননি। মখোয়না লৈবাক অসিবু শেমগৎতুনা নুংঙাই

য়াইফবা লমদম অমা ওইহনবদা চাউরবা থৌদাং লৌগনি হায়বগী আশা চাউনা লৈ।

নিউ দিল্লিদা এন.সি.সি রিপাব্লিক ডে কেম্প ২০২৫ থৌরমদা শ্রী রাজনাথনা হায়- লৈবাক অসিগী নাৎ অমসুং সংস্কৃতিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা কোতি ১৪০ অসিবু অমত্তা ওইনা পুনদুনা থম্বা ঙমলি। মীওই অমনা চাওখৎপগী লম্বীদা মাংজিল থাবদা সমাজ অসিবুসু মাংজিল থানা পুখৎপা ঙমলিবনি। মন্ত্রিনা হায়- মীপুম খুদিংমকা হৌনা লোনচৎ, অমত্তা ওইবা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা মরুওইবা মীৎয়েং থমদুনা লৈবাক অসিবু চাওখৎপগী মাইকৈদা মাঙলোমদা চংশিন্নবা লম্বী য়াৎলশি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করগা জপানগী ফোরেন মন্ত্রি তাকেসি আইৱায়াগা ৱাশিংটন দি.সিদা উন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী চাওখৎ থৌরাং অমদি তেংবাং পীননবা ৱাফম কয়া খন্নখি। ডাঃ জয়শঙ্করনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ফোরেন এফ্যারস মন্ত্রি পেনি ৱংগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

জ‌্দো (এল)ঃ থা অসিগী ১৮ দগী মহারাষ্ট্রগী পুনেদা চৎথরক্লিবা নেসনেল সব-জ‌্নিয়র জ‌্দো চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা সনাগী তকমান অহুম, লুপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অনি ফংলে। চেম্পিয়নসিপ অসি হয়েং লোইশিল্লগনি।

পোলো (এল)ঃ ভারত সরকারগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা অসাম রাইফলসনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা ঙসিদগী

দি.জ.এ.আর মেন এন্দ ৱিমেন পোলো তুরনামেন্ট ইম্ফাল মপাল কাংজৈবুংদা হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা নুপীগী টিম মঙা য়াওনা পুন্না টিম ৩২ না শরুক য়ারি।

ক্রিকেট(এল)ঃ  লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চখৎরিবা ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা নপসা খা-ইম্ফালবু রন ৩১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ  ৯ শুবা এম.এন.সি.এ.দব্লিউ প্রহ্লাদা এন্দ দব্লিউ. রামানন্দ ইলিট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ১০ দা, পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিন্দুনা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসিদগী ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।  টিম মঙানা শরুক য়ারিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱাই.ভি.এ ৱাংজিংনা শঙ্গাইয়ুম্ফম এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ট্রোফি-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এ.এল.সি.সি.ও চজিংগা ৱাংগোই এফ.সিগা শান্নবদা এ.এল.সি.সি.ও চজিংনা পাঞ্জল ৩ চনদুনা মায় পাকখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  মোন্সাং স্পোর্তিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চান্দেল জিলাগী লিৱা শারৈ কম্ম্যুনিতি গাউন্দদা চথরিবা ১৭ শুবা মোনসাং স্পোর্টস মিট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মোনসাং পন্থানা লিৱা চংনিংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মিলিননা জাফৌবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

ফূটবোল(এল)ঃ এম.পি.এ. থৌনাওজমনা শিনদুনা থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা হমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এম.টি.এফ.সিনা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিত নাইনবু পাঞ্জল ৭-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ই.পি.ৱাই.সি এলাংখাংপোকপীগা এম.পি.এ-(এ) থৌনাউজমগা পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ থিংঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.ঐচ.সি ক্যামগৈনা এফ.এফ.সি.সি অংথাবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ এথলেটিক্স স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথরিবা অনিসুবা মাইবম মুনাল মেন্স ওপন সোক্কর তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা তোমথিন এফ.সি অমসুং কৈশামথোং এফ.সি পাঞ্জল ৫-৫ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

------